HUEIYEN LANPAO

# কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়ন এথলেট ১২০ দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখি : স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩ঃ

রিও ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কদবা থা মঙাখক্তা ঙাইরক্লবা মতম অসিদা লৈবাক অসিদা আইন কায়না দোপিং তৌবগী চাং অসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখিবা দেটাদা নুংনাংনিংঙাই ওইরে।

হৌখিবা চহী অনীদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পুথোকখিবা দেটা য়েংলুবা মতমদা দ্রগ শীজিন্নরগা শীজিন্নদে হায়বগী থৌওং অসি চাং হেঙ্গৎলক্লি।

অভিনাল রাই খাননা রাজ্য সভাদা পুখৎখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর সর্বানান্দা সোনোৱালনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা য়াল্লবা ইন্দিয়ন এথলেটশিং দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা শান্নরোয় ১২০ না দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখি অদুগা কুমজা ২০১৪ দা ওফেন্দর মশিংনা ৯৫ ওইখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা) না অহানবা ওইনা আইন কায়না দোপিং তৌবশিংবু চহী অনীদগী মরি ফাওবা অথিংবা থমদুনা কম্পিটিসন অমত্তদা শরুক য়াবা য়াহন্দবগী চৈরাক পীরি। অদুবু অকনবা মখলগী চৈরাক পীবদি তৌদ্রি।

চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদা এথলেট নিপাননা দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখি। ওফেন্দরশিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বা ৱেথলিফ্টরশিংনা ওল ইন্দিয়া ইন্টর-ভাসিটি মীট চথরিঙৈ মনুংদা দোপ টেষ্ট তৌখিবদা ফেল ওইখিবনি। ৱেথলিফ্টিংদা নত্তনা ট্রেক এন্দ ফিল্ড অসিসু খ্বাইদগী দোপিং তৌবা দিসিপ্লিন অমা ওইরি।

ৱাদানা মমাঙ চহীদা দোপিং ভাইওলেসনগী ওফিসল ওইবা লিষ্ট অমা থোকখিবা অদুদা রসিয়ানা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি অদুগা হেক মতুংদা টর্কিনা ইন্নরি। ইন্দিয়ানা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈখি। ৱাদাগী লিষ্ট অদুগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেটশিংনা দোপ ওফেন্দরগী লিষ্টতা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি অদুগা ৱেথলিফ্টিংনা হেক মতুংদা ইন্নরি। ইন্দিয়া খত্তনা দোপিংগী অকিবা মায়োক্নরিবা লৈবাক ওইদ্রি। মালেমগী লৈবাকশিংদা দোপিংগী মমি অসি তারি। অদুম ওইনমক মশক থোক্লবা এথলেটনা টেষ্টতা পোজিটিব ওইরি। মসি খ্বাইদগী চাউবা অমদি ফোং ফোং শাবা খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফমসু ওইরি।

হন্দক্তা ইন্টর্নেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না ষ্টেটনা চলাইবা দোপিং প্রোগ্রাম চথরে হায়বা মরালদা রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ড ফেদরেসনবু সস্পেন্দ তৌখ্রবনি। অদুগা খ্বাইদগী ফবা অশাংবা লমজেল চেনবা লমজেল্লোইশিং পুথোক্লিবা ইষ্ট অফ্রিকান নেসন কেনয়াসু ৱাদাগী স্কেন্নর মখাদা লৈরিবনি। ৱাদাগী চৎনলোনচৎশিং কেনয়ানা ইনবা ঙমখিদবদগী রিও ওলেম্পিক্সতা কেনয়ানা শরুক য়ানবগী মতাংদা চম্মনবা লৈরিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা কেনয়ানা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং ৱাদানা লাক্লিবা এপ্রিলগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা রিভিয়ু তৌগনি। করিগুম্বা মদুদা পেন্দবা লৈরবদি কেনয়াগী এথলেটশিং রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াহল্লদবা য়াই।

মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না দোপিংগী থৌদোক অসি থিংনবগীদমক নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সী (নাদা) না চাং নাইনা এন্টি দোপিং এৱার্নেস প্রোগ্রামশিং চথরি অমদি নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন (এন এস এফ) য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিং কম্মন প্লেটফোর্মদা পুরক্লবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলি। কুমজা ২০১৫-১৬ তা এন্টি দোপিং এৱার্নেস ৱার্কশোর্প ৪৫ গী মথক্তা নাদানা শীন্দুনা পাঙথোকখি।

অসিগুম্বা থৌরাংশিং লৌখৎলবসু থোইনা ইন্দবগুম তৌবদা নত্তনা দোপ টেষ্টশিং ফেল ওইবগী থৌদোকশিং মখা চথরি। হন্দক্তা শোটপুটকী জুনিয়র নেসনেল মেদলিষ্ট অমা আইন্না য়াদবা পোৎলম শীজিন্নরুবগী টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইখি। মহাকপু প্রোভিজনেল্লি ওইনা সস্পেন্দ তৌখি অমদি করিগুম্বা মরাল লৈরম্বা থোক্লবদি চহী মরিগী অথিংবা মায়োক্ন গনি হায়রি।

---

# মরে ইন্দিয়ন ৱেলসকী থার্দ রাউন্দ চঙখ্রে, কার্বর, গার্বিন মুগুরুজা, সুরেজ লৈহৌরে





ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ১২ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর টু এন্দি মরেনা ইন্দিয়ন ৱেল্লস হার্দকোর্ট টেনিস টুর্নামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা স্পানিয়ার্দ মার্সেল গ্রানোল্লরসপু ৬-৪, ৭-৬ (৭/৩) দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী ইন্দিয়ন ৱেল্লস কেম্পেন অদু খোঙহৌ ফনা চঙশিনখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারীদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকী মখূৎতা মায়থীহৌখিবা মতম অদুদগী হৌজিক শান্নরিবা অসিনা মরেগী মঙাশুবা এ টি পি টুর টুর্নামেন্ট ওইরি। মদু জোকোভিচকী মখূৎতা মহাক্কী মরিরক শুবা চেম্পিয়নশিপকী মায়থীখিবা মেচ ওইখিবদা নত্তনা ওষ্ট্রেলিয়ন ফাইনেলদা মহাক্না মায়থীখিবা মঙারক শুবসু ওইখি।

কুমজা ২০০৯ গী ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা রফেল নদালগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাখিবা মরেনা স্পানিয়ার্দ অদুবু মায়থীবা পীদুনা থার্দ রাউন্দ চঙখি। মহাক্না থার্দ রাউন্দদা ফেদরিকো দেলবোনিসকা মায়োক্ন দুনা শান্নগনি। ফেদরিকো দেলবোনিসনা জাও সৌজাবু ৭-৬ (৮/৬), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা থার্দ রাউন্দ চঙলকখিবনি।

ফ্রেন্স ওপন চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কানা ইল্লয়া মার্চেঙ্কোবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। চৎলিবা থা অসিগী অরোইবদা মশাগী চহী ৩১ চঙলগদবা অহুমশুবা সীদ ৱারিঙ্কানা মথং রাউন্দদা অনসীদেদ রসিয়ন এন্দ্রে কুজনেটসোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। এন্দ্রে কুজনেটসোভনা জেরেমি চার্দিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা থার্দ রাউন্দ চঙলকখিবনি।

চেক্কী টোমাস বর্দিচনা জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোবু ৭-৬ (৭/৪), ৬-২ দা, কানাদাগী ১২ শুবা সীদ মিলোস রাওনিকনা ইনিগো সর্ভান্টেস হুগুনবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। নিপানশুবা সীদেদ রিচার্দ গ্যাসকেটনা নিকোলাস মহুটপু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগীদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চেম্পিয়ন এঞ্জেলিগ কারর্বর, মরিশুবা সীদ গার্বিন মুগুরুজা অমদি স্পানিশকী ষ্টার কারলা সুরেজ নাভারোনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা লম্বাশিংগী মখূৎতা ঙরাং শান্নখিবা ইন্দিয়ন ৱেল্লস হার্দকোর্ট টেনিস টুর্নামেন্টকী সেকেন্দ রাউন্দদা লৈহৌরে।

ৱর্ল্ড নম্বর টু অমদি সেকেন্দ সীদ কার্বরনা চেক্কী দেনিসা অল্লরটোভাগী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেটতা ৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীহৌখি। মমাঙগী ৱিমল্লেদন ফাইনেলিষ্ট মুগুরুজানা অমেরিকান ক্রিনষ্টিনা মেকহেলগী মখূৎতা ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীহৌখি অমদি তরুকশুবা সীদেদ সুরেজ নভারোনা মহাক্কী য়েৎথংবা খুজেংদা শোকপদগী টুর্নামেন্টতগী মপান থোকখি। মহাক্কী ওপনিং মেচতা দারিয়া কসাটকিনাগা শান্নবা থৌরাং তৌরম্বনি। অল্লরটোভানা মথং রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী জোন্না কোন্টাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা নুপীগী মেচতা তরেৎশুবা সীদেদ স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেনসিকনা অমেরিকান লৌরা দেভিসপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। ইগনি বৌচার্দনা স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ৭-৫, ৭-৫ দা অমদি ইটালিয়ন রোবার্টা ভিন্সিনা মার্গারিটা গ্যাসপরয়ানবু ৬-৩, ৬-৭ (৭/৯), ৭-৬ (৭/৫) তা মায়থীবা পীখি।

---

# ভিজেন্দরনা হোভার্থপু মায়থীবা পীখ্রে, মহাক্কী মায় পাকপা অদু পথানকোটকী অথৌবশিংদা কখোকখ্রে



লিভরপুল, মার্চ ১৩ঃ

ইন্দিয়ন প্রো-বোক্সিং ষ্টার ভিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী মরিরক শুবা ওইনা মায় পাকখ্রবা প্রোফেসনেল ফাইট অদু পথানকোট টেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবা অথৌবা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেস পার্সনেলশিংদা কখোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা হরিয়ানা অসিনা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা বাউটতা হঙ্গেরিগী অলেজেন্দর হোর্ভাথপু নমহৎতুনা রাউন্দ তরুক্কী কন্টেষ্ট অদুদা রাউন্দ অহুমদা মায়থীবা পীখি।

বাউট অদু লোইরবা মতুংদা ভিজেন্দরনা হায়খি, ঐগী মায় পাকপা অসি জম্মু অমদি পথানকোটতা এটেক তৌরকখিবদা লৈখিদ্রবা অথৌবা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেসশিংদা কখোক্লে।

হোর্ভাথকা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা বাউট অদুনা চহী অসিগী অহানবা ভিজেন্দরগী বাউট ওইবদা নত্তনা মমাঙ চহীদা মহাক্না থিন্নখিবা বাউটতা থংনা থংননা নোক আউটতা মায় পাকখ্রবনি।

ঐনা ঐগী মরিশুবা প্রোফেসনেল মায় পাকখিবদা হরাও তয়াম্বা ফাওই। ঐনা নোক আউটতা মায় পাকখিবদা অমুক্কা হেন্না নুঙাইবা ফাওই। চৎলিবা কুমজা অসিদা মায় পাকপা হৌদুনা মতুং তারকপদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঐনা শান্নখিবা ফাইট অদু থা অমরোম চুপ্পা য়ৈথোকখিবনা ঐঙোন্দা শেম শানবগী মতম য়াম্না ফংখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বাউট মমাঙদা রুটিন নাইনা অহীংবা লীনগী ঈ থক্তুনা প্রেক্টিশ তৌখিবা হোর্ভাথকী মতাংদা ভিজেন্দরনা হায়খি, ৱাজাও ঙাঙদুনা মশাবু অচৌবনি হায়না উৎচখিবা অদুবু মায়থীবা পীবদা অরাইবমক ওইখিদ্রবসু মহাক্না উৎখিবা থৌওং অদুদি নমহৎপা ঙমখি। ঐহাক্না তূম্বা চাবা খঙদনা বাউট অসিগীদমক হোৎনখিবা অদু রিংদা প্রমান তৌখি। প্রোফেসনেল বোক্সিংদা নংগী লম্বানা ৱাহৈগী লান তৌরকখি অমদি মখোয়না নঙোন্দা হোর্ভথনা তৌবগুম শিংনরকখিবা অদুগুম ঐগী পঞ্চনা মঙোন্দা পাউখুম হনখিবদা পুমচিক চিকখি। ঐগী প্রোফেসনেল কেরিয়র অসি অচুম্বা মায়কৈদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনবদা নুঙাইবা পোকই অমদি ট্রেনিংদা ঐনা অকনবা মওংদা হোৎনখিবা অদুনা ঐগী মায় পাকপগী ফল অদু ফংবা ঙমখিবনি হায়না ভিজেন্দরনা মখা তানা হায়খি।

মফম অদুদা লৈবা ইন্দিয়ন দাইস্পোরাশিংনা মঙোন্দা মতেং পাঙলকখিবদা অপেনবা পোকই। লিভরপুলদা লৈরিবা মীওইপুম্নমক্না ঐঙোন্দা মতেং পীরকখিবা অদু ঐনা ফংজরে অমদি ঐ ইন্দিয়াদা হল্লগনি। ঐগী ফোনদা মালেমগী মফম পুম্নমক্তগী ঐবু থৌগৎপীরকপগী মেসেজ লাকপগী মখোল ঐগী ফোন্দা লেপ্পা লৈখিদে অমদি ঐগী অনৌবা ফেনশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

---

# পাকিষ্টান্দগী হেন্না ইন্দিয়াদনা নুংশিবীঃ সহিদ অফ্রিদি



কোলকটা, মার্চ ১৩ঃ

পাকিষ্টানগী ক্রিকেট টিমনা ঙরাং অথেংবদা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ দা শরুক য়ানবগীদমক কোলকটাদা থুংখ্রবা মতুং টিম অসিগী কেপ্তেন অফ্রিদিনা পাকিষ্টান্দগী হেন্না ইন্দিয়াদনা মখোয়বু নুংশিবীবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কোলকটাদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা অফ্রিদিনা হায়খি, ঐহাক্না ইন্দিয়াদা লাকপদা নুংঙাইবা পোকই। মফম অসিদা মহাকপু পাকিষ্টান্দগী হেন্না নুংশিবী হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঐনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট শান্নবদা নুংঙাইবা পোকই। মফম অসিগী মীয়াম্না ঐবু মতম খুদিংমক্তা নুংশি চান্না তৌবি। মীয়াম্না ঐবু নুংশিবিরিবা অসুম্না পাকিষ্টান্দদি তৌবিদে হায়খি।

ক্রিকেটনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবদা মতেং পাঙই হায়না ঐনা খল্লি। মরম অদুনা স্পোর্টস অমদি পোলিটিক্স অনী অসি পূন্না লৈহল্লোইদবনি। তোঙান তোঙান্না মাগী মাগী লাইন্দা চৎহনগদবনি। স্পোর্টসনা পোলিটিক্সকা হেক পূনবদা নুংশিনরম্বশিং তোখায়না তান্নহল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা কেপ্তেন অসিনা হায়, ঐখোয়না ফংবা মেচশিংগী মনুংদা অহানবা মেচ অনীদি খ্বাইদগী মরু ওই। অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী হেক হৌবা মেচতগী নীংথিনা শান্নবা মথৌ তারি।

অহানবা গেম অসি মতম পুম্নমক্তা মরু ওই। মরম অদুনা ঐখোয়না অহানবা মেচতগী নীংথিনা শান্নবা হৌগনি। অহানবা ঐখোয়গী মেচ অদু বংলাদেশ (মখোয় হৌজিক ফাওবা ক্বালিফাই ওইদ্রি) কা শান্নগদবনি। অদুদগী ইন্দিয়াগা শান্নগনি।

মেচ অনীমক খ্বাইদগী খুদোংথিবা ওইরি। বংলাদেশনা নীংথিনা ক্রিকেট শান্নে। মরম অদুনা ঐখোয়না অহানবা মেচতগী ফজনা শান্নবা হায়বসি মথৌ তারি। ঐখোয়না ইদেন গার্দেনগী গ্রাউন্দ অসিদা অফবা পার্ফোমেন্স পীগনি। অদুমকপু ঐখোয়না মফম অসিগী লৈরিবা ফীভম তরাইনা লৌবদি লৈতে হায়না পাকিষ্টানগী স্কিপর অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা মার্চ ১৯গী ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অনীগী মেচ অসিগীদমক অহকপা মিৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।



HL-B/3000/05/03-4/04

---

# সলগাওকর এফ সিনা শিল্লোং লাজোং এফ সিবু, ইষ্ট বেঙ্গলনা মিজোরাম এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে



আইজোল, মার্চ ১৩ঃ লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মাপননা শরুক য়াদুনা চথরিবা আই-লীগ ২০১৬ কী থাংজ নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা সলগাওকর এফ সিনা শিল্লোং লাজোং এফ সিবু ১-০ দা অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলনা আইজোল এফ সিবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসি মায় পাকখিবদগী ইষ্ট বেঙ্গলনা অপূনবা মেচ ১১ ফংখিবদা মেচ তরুক্না মায় পাকপা, মেচ অনীনা ড্রো চৎপা অমদি মেচ অহুম্না মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ২০ ফংদুনা লীগকী টেবলদা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। আইজোল এফ সিনা অপূনবা মেচ ১১ শান্নখিবদা পুন্না পোইন্ট ৯ খক্তমক ফংদুনা টেবলগী নিপানশুবা মফমদা লৈরে।

ইষ্ট বেঙ্গল অমদি আইজোল এফ সি অনী পূক্লিং হুনা নুংঙাইরবা মেচ অদুদা আইজোলনা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা ব্রান্দন ভানলালরেমদিকা অমদি মেচকী মিটি ৫৮ চৎপা মতমদা য়ুটা কিনোৱাকিনা গোল অমমম চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ ফাওবদা আইজোল এফ সিনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ইষ্ট বেঙ্গলদি হাফ অসিদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনিট ৬৭ চৎপা মতমদা মিজোরাম এফ সিগী প্লেয়র ১০ খক্তনা শান্নরক্তুনা মখোয়গী প্লেদা অহোবশিং লৈখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু ইষ্ট বেঙ্গলনা মাঙহনবা তৌদনা বেঙ্গলগী ষ্টার ষ্ট্রাইকর রান্তি মার্টিন্সনা মেচকী মিনিট ৬৯, ৮৫ অমদি ৮৮ চৎপা মতমদা থংন থংননা গোল অহুম চনশিন্দুনা হেটট্রিক লৌখিবগা লোয়ননা লীগ অসিদা মহাক্কী অপূনবা গোল মশিং ১১ শুদুনা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা প্লেয়রসু ওইখি।

বেঙ্গলনা মনম মনম গোল চনশিনখ্রবা মতুং মেচকী মিনিট ৯০ চৎপা মতমদা আইজোল এফ সিগী প্লেয়র ৯ খক্তনা অমুক্কা শান্নরক্তুনা টিমগী ফীভম হেন্না থিবা হায়বদু ওইখি। অদুবু বেঙ্গলনা মদুদা খুদোংচাবদি লৌবা ঙমখিদে।

মেচ অদু হেক হৌরকপদগী আইজোল এফ সিনা য়াম্না মতিং লৈনা শান্নরকখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। মখোয়গী অকনবা শাফুগা লোয়ননা বেঙ্গলগী সাইদতা তৎতনা চঙশিনখিদুনা গোল এটেম্পশিং তৌখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা কিনোৱাকিনা নিংথিনা পীখিবা পাস অমদা ব্রেন্দননা ওল্লগা বেঙ্গলগী নেট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখি। য়াম্না ঙন্না আইজোলনা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু বেঙ্গলনা গোল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা আইজোল এফ সিগী য়ুটা কিনোৱাকিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। বেঙ্গলসু গোল ইক্বেলাইজ তৌদুনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা থৌনা লিংজেল শীজিন্নদুনা আইজোলগী মায়কৈদা চঙশিনখি। মখোয়গী এটেক্তা মিজোরামগী বোক্স মনুংদা লৈখিবা রান্তিবু ইমান্যুএল টিগোজৈনা চিংথুরুবদগী রেফ্রিনা মেচকী মিনিট ৬৭ চৎপা মতমদা রেদ কার্দ পীদুনা মেচ অদুদগী তান্থোকখি অদুগা বেঙ্গলগী ফেভরদা পেনালটি অমা পীখি। পেনালটি অদু রান্তিনা কাওদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ১-২ দা লৈখি।

মিজোরামনা মখোয়গী প্লেয়র ১০ খক্তা শান্নরকখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা বিকাসনা ৱাংনা কাওরকখিবা বোল অমা রান্তিনা হেদিং তৌশিনখিদুনা অমুক হন্না গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-২ দা লৈখি। গোল চনখিবা ইকান কান্নদনা রফিখনা পীরকখিবা বোল অমা রান্তিনা অমুক্কা হন্না ওক্লগা মিজোরাম এফ সিগী পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা মেচ অদু ৩-২ দা মায় পাকখি। মেচ লোইগদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রবা মতম মেচকী মিনিট ৯০ চৎপা মতমদা আইজোলগী লালরাম চুলোভাবু রেফ্রিনা রেদ কার্দ পীদুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখিদুনা প্লেয়র ৯ না শান্নরকখি। অদুবু শান্নরোয় মশিং হন্থহনখিবগী খুদোংচাবা অদুদি মেচ লোইগদবা মতম তেল্লবনা বেঙ্গলনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনা লোইশিনখি।

মেচ অদুদা গোল মশিং য়াম্না চনবা ঙম্বা প্লেয়র অমা ওইরিবা রান্তি মার্টিন্সপু হিরো ওপ দ মেচকী মনা পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

---

# লিন দাননা নুপাগী, ৱাং শিজিয়াননা নুপীগী ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌখ্রে



বির্মিনঘাম, মার্চ ১৩ঃ লিন দাননা চাইনিজ টিমমেট টিয়ন হৌৱেবু ২১-৯, ২১-১০ দা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী তরুকলক শুবা ওইনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল লৌখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুদা লিননা লম্বা তৌনখিবা টিয়নবু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা মায়থীবা পীখি। মহাক্না অহানবা গেমদা ৪-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মতুং তারকপা গেমদা মহাক্না দোমিনেট তৌদুনা অহানবা অমদি অনীশুবা গেমদু মথংশিংনা ২১-৯ অমদি ২১-১০ দা মায়থীবা পীখি। টিয়ননা লিনবু নমহৎননবা তরেৎলক এটেম্প তৌখি অদুবু লিননা হেন্না ফীভম ফনা লৈখিবনা মেচ মায় পাক্ন বগী খোঙ থাংজিনখি।

লিননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল মাপনলক চঙখিবগা লোয়ননা টাইটল লৌবনা তরুক্লক শুবসু ওইরে। অনীরক ওলেম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন অসিনা রিও দি জানৈরিওদা অহুমশুবা গোল্ড মেদল লৌনবা মিৎয়েং থম্বসু হৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা লিন দাননা মহাক্কী অনসীদেদ চাইনিজ কম্পেট্রেইট জুসোংবু সেমী ফাইনেলদা ১৮-২১, ২১-১৫, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি। লিননা মেচ অদুবু মিনিট ৮২ চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি। লিননা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবা মেচতা স্পেনগী মঙাশুবা সীদেদ জান জোর্গেনসনগী মখূৎতা অহানবা গেম মায়থীরগা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম মায় পাক্লকখিবনি। মদুমক মহাক্না ফাইনেল চঙখিবদসু অহানবা গেম মায়থীরগা অরোইবা গেমনা মায় পাকখি।

নুপীগী ফাইনেল মেচতা চিনাগী ৱাং শিজিয়াননা জপানিজ ওপোনেন্ট নোজোমি ওকুহারাবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল লৌখি। ৱাং শিজিয়াননা সেমী ফাইনেলদা টাই টজু য়িংবু ২১-২৩, ২১-১২, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।